মহারাষ্ট্রগী মুম্বাইদা লৈবা হোস্পিটাল অমা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ১০ শিখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২৬ (এজেন্সী) :

ঙরাং অহিং নোংয়াইদা মুম্বাইদা লৈবা হোস্পিটাল অমা মৈ চাক্লকপদগী মীওই ১০ শিখ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনা অৰাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙাকপীনবা হায়জখ্রে।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১০ গী হকচাং রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। অদুগা লেমহৌরিবা পেসেন্টশিং অদু অতোপ্পা হোস্পিটাল অমদা থমখ্রে।

ঙরাং অহিং মৈনা চাকখ্রবা হোস্পিটাল অদু মোল অমগী মথক থংবা শরুক্তা লৈবা গভর্ণমেন্টনা হোস্পিটাল অদুবু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবশিংগী লায়েংফম ওইনা থমখিবনি।

অহিং নোংয়াইদা খঙহৌদনা চাক্লকখিবা মৈ ওইবনা মীশি মীনাগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অদুমওইনমক ফাইয়র ফাইটরশিংনা মতম চানা লাক্তুনা মৈ অদু মপুং ফানা মুথৎপা ঙমখিবা অদু হোস্পিটাল অদুদা লৈরিবা পেসেন্তশিং অদুগী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবনি। ফাইয়র ফাইটরশিংনা পেসেন্ত ৭০ রোম তেক্তা কায়দনা থৌদোক থোকফমদগী রেস্ক্যু তৌখ্রে।

মৈ অদু মতৌ করম্না চাক্লকখিবনো হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু মৈ অদু মোল অদুগী অতোপ্পা শরুক্তগী হৌরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মৈ অদু মতৌ করম্না চাক্লকখিবনো হায়বগী মতাংদা অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থিজিহল্লগনি। করিগুম্বা চেকশিন দবদগী মৈ অদু চাক্লকখিবা ওইরল্লবদি চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা কম্পেনসেসন ওইনা লুপা লাক্ষ ৫/৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অমরোমদা হৌজিক হৌজিক বংলাদেশ খোঙচত্তা লৈরিবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু থৌদোক অদুগী মতাংদা অৰাবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক শোক্তুনা লৈরিবা মীওইশিং অথুবদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়রি।

বন্দ মনুংদা লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা পোত্থোক অমত্তা কৈথেলদা মীয়াম্না য়োনবা উন্নখিদে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৬ (এজেন্সী) :

মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুম য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি লৌমীশিংদা এম এস পি মপুং ফানা ফংহল্লু হায়না দিমান্দ তৌরদুনা দেল্লী ঙমখৈগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কেম্প তৌদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা ঙসি থারগা থা মরি শুজিল্লকখিবা অদুগা মরী লৈননা লৈবাক পুম্বা কৌখিবা বন্দদা লৌমীশিংনা লৌউ শিংউগী মরী লৈনবা পোত্থোক অমত্তা পুথোকখিদে।

ঙসিগী বন্দ অদুনা মরম ওইরগা ট্রেন মরি কেন্সেল তৌখি। অদুগা ট্রেন ৩০ রোম্না রেলৰে ট্রেকশিংদা লৌমীশিংনা ফমজিন্দুনা লৈখিদবদগী চৎপা য়াদদুনা লম্বীদা খামদুনা লৈখি। ঙসিগী বন্দ অদুগা মরী লৈননা নেস্নেল কেপিটেলগী নেস্নেল হায়ৰে ৯ দসু লৌমী কয়া খোঙজং চঙশিনখি। লৌমীশিংগী খোঙজং অসি মমাং চহীগী নবেম্বর ২৬ তগী হৌরগা মরু ওইনা শিংহু বোর্দর, ঘাজিপুর অমসুং টিক্রিদা হৌখিবনি।

অমরোমদা সময়ুক্তা কিষান মোরচাগী লুচিংবা দরসন পালনা ফোঙদোকখিবদা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংনা লৈবাক অসিদা মনা মশীং অমদি শঙ্গোম সপ্লাই তৌবগী থবক লেপ্পগনি। লৌমীশিংনা থা মরি খোঙজং চঙশিল্লবা ফাওবদা সেন্তরগী মায়কৈদগী ৰারোইশিন পুরকপা য়াবা ৰাফম অমত্তা ফোঙদোরক্তবা অসি লাইবকথিবনি।

লৈবাক অসিদা লৌমীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি সেন্তরনা খঙশিন উশিন্নদনা লৈরিবা অসি লৌমীশিংনা কন্দেম তৌই। নোংজু নুংশা মরক্তা লৌমীশিংনা লৌ উদুনা চানবা পোৎলমশিং মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনরি। নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগী ইনকম দবল ওইহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরি। সেন্তরনা হান্না ফোঙদোকখিবা অদুগী মায়োক্তা লৌমীশিংগী হক মৎনবা লো অহুম পাস তৌখিবা অদু য়াবা ঙল্লোই।

লৌমীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ নৌনা পাস তৌখ্রবা ফার্ম লো অহুম রিপিল তৌবা অমদি লৈবাক অসিগী লৌমীশিংদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস ফংহনগনি হায়না সেন্তরনা থাজবা পীদ্রিবা ফাওবা লৌমীশিংগী খোঙজং হন্দোকপা লৈরোই।

লৌমী লুচিংবা বলবির সিংহ রাজেৱালনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৌমীশিং য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক থোকহন্দনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। সেন্তরনা লৌমীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ পীদ্রিবা ফাওবা মতম মতমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং মখা তানা চঙশিনখিগনি। লৌমীশিংগী মায়োক্তা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা লৈরক্কনি হায়বসি মখোয়না খ্বাইদগী থাজদবা অমনি হায়রি।

লুহোংলগদবা দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দ পর্সনেল অমা মাউইষ্টকী এটেক্তা লৈখিদ্রে

রাইপুর, মার্চ ২৬ (এজেন্সী) :

মথং থাগী ২১ দা লুহোংনবগী মতম লেপ্তুনা লৈরবা দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দকী পর্সনেল অমা মাউইষ্টনা এটেক চথদুনা হাৎখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা দেবকরন দেহারি দ্যুটিদগী ছুটি লৌরগা ময়ুমদা লৈবনি। মহাক্কী লুহোংবগী বার্ত্তন নম্লুরগা হল্লকপগী লম্বীদা মাউইষ্টশিংনা হান্না প্লান তৌদুনা থনম্বা বোম অমনা মহাকপু হাৎখিবনি।

ছটিসগরদগী কিলোমিটর ২২২ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। হৌখিবা মার্চ ২১ দা নরাইয়নপুর প্রিন্টিং সোপ অমদগী মহাক্কী লুহোংবগী কার্দ লৌরুবা মতুং নরাইয়নপুর দিষ্ট্রিক্ট অয়ুরবেদ ওফিসর ডা. সতেন্দ্র নাগকী মনাক্তা লাক্লমখি হায়না ডা. অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী লুহোংবগী বার্ত্তন অথুবা মতমদা য়েন্থোকপা হৌরগনি হায়না ফোঙদোক্লমখি।

অদুবু লাইবকথিবদি দেবরন ময়ুমদা হিংনা হল্লকপগী মহুত্তা মচু অহুমগী ফিরালনা য়োম্লবা বোক্স অমগী মনুংদা লাকখি। দেবকরন কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরকখিবা মীওই অমনি। মহাক লৈখিদবা অসিনা মরম ওইরগা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা অৰাবা পীরি। দেবকরনগা লুহোংগনি হায়না তৌরিবা নুপী অদু মহাক্কা চহী ৯ লোম খঙনদুনা লাক্লবা নুপীনি। নুপী অদুসু কন্ত্রেক বেসিসতা হন্দক্তা গভর্ণমেন্ট জোব অমা ফংবগী হরাওদুনা লৈরি। ইমুং অনীমক্কী মীওইশিংনা মখোয় অনী লুহোংলবদি নুংঙাইবা পুন্সি অমা ওইরগনি হায়না হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লরম্বা অদু ঙসিদি অরেম্বা তারে হায়না ডা. নাগনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা টি ভি চেনেল অমগী হান্নগী জর্নেলিষ্ট হেমন্ত পনিগ্রাহিনা ফোঙদোরকখিবদা দেবকরন দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দ পর্সনেলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না থৌনা ফবগী মনা ফংখ্রবনি। মহাক হাৎখিবা অসি মাউইষ্টশিংনা অতম্লনা টার্গেট তৌরগা হাৎখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না জর্নেলিষ্ট অসিনা মখা তারি।

টিক্রি ঙমখৈদা লৌমী ১ চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা শিদুনা লৈরম্লে

গুরগাউন্দ, মার্চ ২৬ (এজেন্সী) :

সেন্তরনা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা দেল্লী ঙমখৈগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা লৌমী লীশিং কয়ানা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। টিক্রি ঙমখৈদা খোঙজং চঙশিনবদা শরুক য়াখিবা পঞ্জাবতগী মশাগী চহী ৬১ রোম শুরবা লৌমী অমা শগোলশেন নুমিত্তা জাঝরদা লৈবা বস ষ্টেন মনাক্তা শিনা লৈরম্বা থেংনখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু পঞ্জাবকী মনুং চনবা বথিন্দাদগী হাকম সিংহ কৌবা অমনি হায়না আইদেন্টিফাই তৌখ্রে।

হাকমগী অশিবা হকচাং অদু শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা অনৌবা বস ষ্টেসন অদুগী মনাক্তা শিনা থেংনখিবনি। মহাক্কী মঙকশমদা অথৌবা মচিন তুম্বা পোৎশক অমনা লেনখিবগী খুদম উবা ফংলি। মহাক কনাগুম্বা খরনা লৌতুনরগা হাৎপা ওইরমগনি হায়না দি এস পি পৱন কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্ল মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চিংনিনিংঙাই ওইবা মীশি অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে। অমদি মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবশিং মশক খঙদোক্লবগীদমক থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। পুলিসনা মখা তানা লৈখিদ্রবা হাকম সিংহ কেম্প মফম অদুদা কয়াম কুইনা লৈরকখ্রে অমদি কেম্পতা লৈদুনা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মরক্তা অতোপ্পশিংগা মুক্লখিবগী থৌদোকশিং থোকখিদ্রা হায়বগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে। হকচাং অদু লৌখত্তুনা মোর্গতা থল্লবা মতুং ঙসি পোষ্ট মোর্টেম চথরগনি হায়না পুলিস ওফিসর অসিনা মখা তারি। অমরোমদা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমী অমা চিংনিঙাই ওইবা মওংদা শিরমখিবা অদুবু খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমী কয়াগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীশি অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা ফাদুনা চৈরাক পীনবা তকশিল্লক্লি।

রাম টেম্পল শান্নবগীদমক জম্মু অমসুং কাশ্মীরনা লুপা ক্রোর ১৭ হেনবগী শেনফম মতেং পাংখি



জম্মু, মার্চ ২৬ (এজেন্সী) :

রাম টেম্পল শাবদা মতেং ওইনবগীদমক লৈবাক শিনবা থুংনা চথখিবা ফন্দ দ্রাইভকী কেম্পেইনদা জম্মু অমসুং কাশ্মীরনসু লুপা ক্রোর ১৭ হেন্না মতেং পাংখি হায়না লোকেল আর এস এস লিদরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অযোধ্যাদা শাগদৌরিবা রাম টেম্পল অদুদা মতেং ওইনবগীদমক আর এস এসকী ভলন্টিয়রশিংনা লৈবাক শিনবা থুংনা ফন্দ দ্রাইভকী কেম্পেইন চথখি। কেম্পেইন অদুগা শরুক অমা ওইনা থা অমা মখায়দা জম্মু অমসুং কশ্মীরগী মীয়াম্না লুপা ক্রোর ১৭ হেনবগী শেনফম অদু মতেং পাংখিবনি।

হীমর অমসিগা মরী লৈননা আর এস এস (জে এন্দ কে) গী গৌতম মেঙ্গিনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নুমিৎ ৪৪ নিদা খুঙ্গং ৪,৬৯৩ দা লৈবা ইমুং ৬,৩৭,০৯৮ তা আর এস এসকী ভলন্টিয়র ২১,৩৩১ না চত্তুনা রাম টেম্পল শাবদা মতেং পাংনবা হায়জখি। মীয়াম্নসু হরাও হরাও রাম টেম্পল শাগদৌরিবা অদুদা মতেং ওইনবগীদমবক অঙম অঙম্বা শেনফমশিং পীরকখিবনি।

নৌনা শাগদৌরিবা রাম টেম্পল অসি অচম্বা টেম্পল অমা নত্তে। মসিনা ইন্দিয়াগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ৱারী কয়া লৈবাক অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা খঙহনবা ঙম্লগনি। রামায়নগী ৱারী অসি খঙদবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া থেংনরে। মসি লাইবকথিবনি অসিগুম্বা মাঙশিল্লক্লিবা নাৎ অমসুং চৎনবী অমদি পুৱারী কন্নবা হোৎনবদা নৌনা শাগদৌরিবা রাম টেম্পল অসিনা চাওনা মতেং পাংলগনি হায়রি।

অমরোমদা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী আর এস এস ভলন্টিয়রশিংনা ফন্দ দ্রাইভ কেম্পেইনদা চাওনা মতেং পাংখিবা অদুবু রাম টেম্পল টষ্ট্রিনা থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মীয়াম্না অঙম অঙম্বা তেংবাং পীরকপদা লৎনবা তৌদনা লৌগনি হায়রি।

এপ্রিল ২ দগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌরগনি

পুনে, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):

পুনেদা কোভিদ শন্দোরকপগী চাং হন্থরক্তবদগী এপ্রিল ২ দগী মফম অদুদা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টনা শেম শাবা লোইরে হায়না দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অজিৎ পৱারনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা কোভিদনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া অমুক হন্না মায়োক্ল হল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। করিগুম্বা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদগী অহোংবা লাক্রুবদি পুনেদা টোটেল লোকদাউন এপ্রিল ২ দগী থল্লবা য়ানা লৈরে।

মরম অদুনা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎকদবনি। য়ুমদগী মপান থোরকপা নৎত্রগনা ওফিস চৎপা মতমদা ফেস মাস্ক শীজিন্নগদবনি। অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎনবা হোৎনগদবনি। মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসিবু থওইরক্তবগীদমক ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হায়রিবা মফম অসিদা থোকপা লুহোংবগী থৌদোক্তা মীওই ৫০ দগী হেন্না পুনবা য়ারোই। অমদি অশি অনাগী মরী লৈনবা থৌরমশিংদনা মীওই ২০ খক্তমক পুনগদবনি। প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী ওইনসু হান্না লৈরম্বা বেদ মশীংগী চাদা ৫০ দগী হেন্না শীজিন্নবা য়াররোই।

পুনেদা গভর্ণমেন্টনা জম্বো হোস্পিটাল অমা অমসুং পিমপ্রিদা জম্বো ফেসিলিটি অমা শেম্লে। মসি এপ্রিলদগী মথৌ তৌবা হৌরগনি। কোভিদ-১৯ ক্যের ফেসিলিটি অমসু পুনেদা হৌদোকখ্রে।

মহারাষ্ট্রগী মনুংদা পুনে কোভিদ-১৯ খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা পুনে খক্তদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৬,৪৩২ থেংনখি হায়রি।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা দিমোক্রেসিগী মশক থিহন্নবা হোৎনরি: রাহুল

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৬ (এজেন্সী) :

ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংনা ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা কৌখিবা বন্দ অদুবু কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা শৌগৎখিবগা লোয়ননা হৌজিক সেন্তরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা দিমোক্রেসিগী মশক থিহন্নবা হোৎনরি হায়না মরাল শীখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৬ তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা লৌমীশিংনা বন্দ কৌখিবা অদুনা মরম ওইরগা ট্রেন অমদি বস সার্ভিসশিংদা চাওনা অকায়বা পীখি। অদুমওইমক লৌমীশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অদু অচুম্বনি। মশাগী হক তানবদা সেন্তরনা অয়েৎপা পীরিবা অসি লাইবকথিবনি। লৌমীশিংনা ঙসি ফাওবদা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিংদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোকশিং নোংমতা চথদ্রি। মহাত্মা গান্ধীনা চৎলম্বা অচুম্বা লম্বীদা চত্তুনা লৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিল্লি।

সেন্তরনা লৌমীশিংগী খোঙজং অসি তরাইনা লৌবা চুম্লোই। ঈংং তপ্পা লৌমীশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি লৈবাক পুম্বগীনি অদুবু লৌমীশিংনা করিগুম্বা খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল হেনদোকখ্রবদি লৈবাক অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াই। মসি সেন্তরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা কৈদৌনুংদা কাওরোইদবনি হায়রি।

মমাং চহীগী নবেম্বর থাদগী হৌরগা দেল্লী ঙমখৈগী শরুকশিং মরু ওইনা ঘাজিপুর, সিংহু অমদি টিক্রিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকখিবা লৌমীশিংনা কেম্প তৌরদুনা ফার্ম লো অহুম রিপিল তৌনবা অমদি মিনিমম সপোর্ট প্রাইস (এম এস পি) পীনবা দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

লৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অসি থা ৪ রোম শুরে। মরক অসিদা লৌমী ৩০০ হেন্না শিখ্রে। মসি নরেন্দ্র মোদিনা চেকশিনদবদগীনি হায়না মরাল শীখি।

পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৫৯,১১৮ থেংনখি, ২৫৭ শিখি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৬ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৫৯,১১৮ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ২৫৭ সু শিহনখি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা থেংনখিবা কেস মশীং থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপূনবা মশীং ১,১৮,৪৬,৬৫২ য়ৌহনখ্রে। অদুগা অশিবা মশীংনা ১,৬০,৯৪৯ শুখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অপূনবা কেস মশীং ১,১৮,৪৬,৬৫২ গী মনুংদা ১,১২,৬৪,৬৩৭ রিকোভর তৌখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভর রেটকী চাং অসি চাদা ৯৫.০৯ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা এক্টিভ কেস মশীংনা ৪,২১,০৬৬ য়ৌখ্রে। হায়রিবা অসি হান্না লৈরম্বা এক্টিভ কেস মশীংগা য়েংনরুবদা চাদা ৩.৫৫ কী চাংদা হেনগৎলক্লি। মসি ঙসি অয়ুক পুং ৮ ফাওবদা ফংখিবা রিপোর্টনি হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী মখা তারক্লি।

অনীরকশুবা ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না অকনবা চৈথেং পীবা হৌরক্লি। মসিদা হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইরিবদি কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অমা য়াওশিল্লকপা অসিনি। ম্যুটেন্ট কোরোনা ভাইরস অসি হান্না লৈরম্বা কোরোনা ভাইরসতগী মপাঙ্গল কনবা হেল্লি অমদি শনে দাকপগী চাংসু হেল্লি। মরম অদুনা মীয়াম চেকশিন্না লৈনবা খঙহল্লক্লি।

'মোদিগী মথৌদি মকোই খাকপা অমসুং তোখায় তাহন্নবা হোৎনবনি'

কোলকত্তা, মার্চ ২৬ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়াদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিগী মরুওইবা মথৌদি মহাক্কী মকোই খাক্লবা হোৎনবা অমদি লৈবাক অসিদা নুংশি চান্নবা খুন্দামিন্নরিবা ফুক্লুপশিংগী মরক্তা অরানবা ৱাহে কয়া হায়জিন্দুনা তোঙান তাহন্নবা হোৎনবনি হায়না তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিনা মরাল শিরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা হান্ননা লৈজরল্লবা ষ্টেদিয়ম কয়া মমিং ওন্থোক্তুনা মহাক্কী মমিং হাপচিল্লি। করিগুম্বা মতমদা মহাত্ম গান্ধী অমদি রাবিন্দ্রনাঠ টেগোরগী মমিং মমাংদা মহাক্কী মমিং হাপচিল্লি। মতম খরা লৈরগদি লৈবাক অসি মহাক্কী মমিংদা ওন্থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা ষ্টেট অদুদা হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়া থোকখি। মোদি কাংলুপ মশেল য়েনথিনহনবা পাম্বা মীওই অমনি। মহাক্তা নত্তনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওইরিবা অমিত শাহসু লৈবাক ইরাং থোকহন্নবা শিনবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি। লুচিংবা অনী অসিনা রাম টেম্পল শানবা অচৌবা শেনফম কয়া কায়থোক্লি অদুবু অতোপ্পা লাইনিং চৎপা মীওইশিংগীদি করিগুম্বা অমত্তা পায়খত্তনা লৈ হায়রি।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থরায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৰাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুথবা, য়ুম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্টে, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্টিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্পা য়েংজরি। য়ুমদা লাকপা খুদোংচাদবশিং Whatsapp কী খুথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East
HL-B/6802/21/2-22/3

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থুবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্না য়াদবা, হাক্লৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
HL-P/9231/15/3-16/4 Contact No. 6009147645/8014023792

ꯊꯥꯒꯠꯄ / পাইলসকী ওইনা ওজা
ABDUL HAQUE অতাংবনি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা মতমদা অমাংথোঙগী অকোয়বদু পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা ফুরিগুম্না পোম্লগা লৈবা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বা য়ারক্তবা, খ্বাঙ নাবা অমদি হকচাংগী মচি-মচিদা চিক-নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হান্বা লোইরগা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌবা অমসুং ঙকশম মরী নাবনচিংবা নুংঙাইতবশিংদু ওজা কবিরাজ Abdul Haque কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঙসিদি কোক্লে। তশেংনমক ওজা কবিরাজদি লমদমসিদা অতাংবনি। মরম অদুনা ওজা Abdul Haque Contact No. : 8794429681, 8014623756 পু মীয়ামগী সেবা মপূং ফানা তৌবীখো হায়না মপূদা থৌনিজবগা লোয়ননা পাউচেসিগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবী : **M. Ruhini Devi**
Moirang Bazar
HL-P/9095/27

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ **THAGATPA PHONGDOKCHARI**

SUDHAKAR

Eigi oithangba eshing marida 4 m.m. chaoba nung ama leiramba adu Sagolband Khamnam Leirak Imphal I.T.I. manakta leiba nungi layengba pabung Laishram Nabakishore (Padma Shri Awardee) gi machanupa oja Laishram Sudhakar (Shamu) na pabungi mahut sinduna eibu hapta mari layengbibadagi eingonda leiramba nung adu takhre. Anouba Ultra Sound loubadasu leiba udre. Masigidamakta ojabu thagatpa phongdokchari. Ojabu matam sangna miyamgi seba touba ngamba oibiyu.

Phongdokchariba:
Kshetrimayum Amujou Singh
Thoubal Kshetri Leikai
HL-P/9395/27

ꯊꯥꯒꯠꯄ/খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা চানা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থুবা, অমাংথোঙদা হম-হম লাউনা লাক্লগা চিকপা, খোঙ হান্বদা মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ হান্বদা শংলগা অদুম লৈনিংবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ তারকপা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, ঈ তোয়না-তোয়না তাখিবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি কোক ঙাওরকপা, অমাংথোঙ মপান্দা তৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা তৎপা অদুনা ওইশিল্লু য়াদবা মোলোম তৈরবসু, অমাংথোঙ ময়াদা চানা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, নুমীৎ খরনি লৈরগা অমা অমুক চাওনা পোমথোরকপা, অকোনবা পোমথোরকপা অদু য়াম্না চিকপা-নাবা, ফম্বদা য়াম্না নাবা অমাংথোঙদা পোমথোকপা অদুনা মরম ওইদুনা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থুবা, নাম্থুবা শৌজ অদু মশানা অমুক হনগৎখিবা, অমাংথোঙদা হম-হম লাউনা লাক্লগা চিকপা, অমাংথোঙ মনুংদসু চক-চক থিল্লকপা, খোঙ হান্বদা মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, মনাঙ য়াওরকপগা হকচাংদা চোকথ-ৱাম্থুবা, খোঙ হান্বদা শংলগা অদুম লৈনিংবা, ফম্বী শোনবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6825/27 *থাগৎচরিবা :* **Sh. Abhijit Singh,** Sekta Awang

ꯊꯥꯒꯠꯄ/অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, হান্না পোম্বা অদুগী মনাক্তা অমা অমুক পোমথোক্লকপা, অকোনবা পোমথোক্লকপা অদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, চিকপা অদু ফনবা ঈশিং অশাবা ফম্বা অদু ফহনবগী ওজা Azad Phusam বু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, হান্না পোম্বা অদুগী মনাক্তা অমা অমুক পোমথোক্লকপা, অকোনবা পোম্লকপা অদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, চিকপা অদু ফনবা ঈশিং অশাবা ফম্বা অমদি পেন কিল্লর চারবসু ঙাইহাক ফরল্লগা অমুক হন্না চিক্লকপা, অমাংথোঙ চিকপা-নাবা অদুনা তৌফম অমত্তা খঙদবা, পোথারগতা লৈনিংবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থরকপা, নাম্থুবা শৌজ অদু নুমীৎ খরনি মশানা হঙৎলগা হৌজিক্লা মশানা হঙৎলু য়ারক্তবা খূৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নাম্থরকপা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৰাবা অমা ওইবা, খোঙ হান্নবসু হামেং মথিগুম্না মরু-মরু খজিক্তং হাম্লগা তোকপা, খোঙ মপুং ফানা হান্বা য়াদবনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা অমদি খোঙ হান্বদা খজিক-খজিক য়াওরকপা, খ্বাঙ নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবা ইফাও ফাওদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/9323/27 *থাগৎচরিবা :* **Karnajit Sharma,** Canchipur